# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 10-09-2024)**

**খোঙজং (এল)ঃ** হৌখিবা সেপ্তেম্বর ১ দগী মৈতৈ মীচম মীয়াম মরক্তা দ্রোনদগী বোম থাদবা অমদি মখল কয়াগী খুৎলায় শিজিন্নদুনা মীহাৎ চত্থরকপবু য়ানিংদবা ফোংদুনা ঙরাং মণিপুর তম্পাক্কী মফম কয়াদা মহৈরোইশিং অমদি মীয়ামনা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখ্রে। লোয়ননা মহৈরোইশিংনা তাল্লিবা দাবীশিং থবক্তা ওন্থোক্ত্রিবা ফাওবা ময়ুমদা হনজিল্লোই হায়দুনা খ্বাইম্বন্দ কৈথেলগী ইমা কৈথেলদা য়ারেকখ্রে।

মহৈরোইশিংনা মনিপুর কল্লু, ঐখোয় ভারত মচানি, তুমিন্না য়েংদুনা লৈরিবা পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং হনখ্রো, সেক্যুরিতি এদভাইজর অমসুং দি.জি.পি. মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোক্কদবনি হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়া লাউদুনা রাজ ভবন তমা চংশিনখি।

মখোয়না রাজ্যপাল-লক্সন প্রসাদ অচ্যারিয়াগা উন্ননবা হায়বদা রাজ্যপালনা অয়াবা পীরকপদগী মহৈরোইশিংগী মীহুৎ কাংবু অমগা রাজ্যপালগা উন্নখি । উন্নবা অদুদা মহৈরোইশিংনা তোঙান তোঙানবা ৱারোল কয়া য়াওবা মেমোরেন্দম অমা রাজ্যপালদা খুৎশিন্নখি।

রাজ ভবন মমাংদা খোঙজং চংশিল্লিবা মহৈরোইশিংগা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগা মুকরকপদগী মহৈরোইশিং অদুবু তানখায়নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা টিয়ার গ্যাস সেল কয়ামরুম কাপখি। তুংদা মহৈরোইশিংনা মখোয়না তাল্লিবা দাবী অদু থবক্তা ওন্থোক্ত্রিবা ফাওবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদগী হল্লোই হায়দুনা মফম অদুদা লেংদনা লৈখি। মখোয়বু কৈথেল ফম্বী অমদি তোঙান তোঙানবা লুপকী ইমাশিংনা ঙাক শেনদুনা থমখি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে। পুলিসকী পাউনা হায়-চুরাচান্দপুর জিলাগী নমফাজাংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা টুয়েল্ব বোর গন অমা, বাউফেন হেন্দ সেট অমা ফংবা ঙমখি।

কাংপোকপী জিলাগী লাইমতোন থংবুদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা ইমতি কারটিজেস ৩৫, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ১৩, দিজিটেলগী খুদাং ঘারি অমা, লেথোটকী ইমতি কারটিজ অনি ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা চৎথোক চৎশিন তৌবশিংদা চেক তৌবা য়াওনা মফম কয়াদা বেরিকেট থমদুনা ঙাক শেনবগী থবক চথরি। অমরোমদা, রাজ ভবনগী অকোইবদসু সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাং অকনবা মওংদা পায়খৎলি।

**পালন (এল)ঃ** ঙসি মালেমগী ওইনা সুইসাইদ প্রিভেন্সন ডে পাঙথোক্লি। কুমশি চহিগী থিমদি-সুইসাইদকী ৱাখল্লোন হোংদোকপা হায়বসিনি।

নুমিৎ অসি নেসনেল হেলথ মীসন মনিপুর অমদি দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সাভির্সেসনা পুন্না শিনদুনা ইম্ফালদা পাঙথোক্কনি।

**এম-পোক্সঃ** মংকি পোক্সনি হায়বা চিংনবা কেসশিং খুদক্তা টেষ্ট অমসুং স্ক্রিনিং তৌনবা কেন্দ্রনা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা পাউতাক পীখ্রে।

ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসননা মংকি পোক্সপু পব্লিক হেলথ ইমর্জেন্সি ওফ ইন্টরনেসনেল কর্ন্সননি হায়না লাউথোকখিবা অদুগী য়েংলগা কেন্দ্রগী হেলথ সেক্রেটরি-অপুরভা চন্দ্রনা হীরম অসিগী মতাংদা এদভাইজরি অমা থোকখ্রে। এদভাইজরি অদুগী মতুং ইন্না মীয়ামগী লায়চৎ অসিগী মতাংদা খঙহন্নবা অমদি অসিগুম্বা কেস থেংনবদা মতমদা মতম চানা রিপোর্ট তৌনবা অমদি মীয়ামদা

মীপায়বা পোক্তনবা লৌখৎপা য়াবা থবক লৌকৎকদবনি হায়রি।

মন্ত্রালয়না রাজ্যশিংনা জিলা থাক্তা হকশেলগী খুদোংচাবা পীরিবশিং নৌহৌননা য়েংশিন্নবসু খঙহনখি। রাজ্যশিংনা হোস্পিতালশিংদা অসিগুম্বা কেসশিং থেংনরকপা মতমদা মীওইশিং অদু থমবা আইসোলেসন ৱার্ড মশক খঙদোকবসু পাউতাক পীখ্রে।

**জিএসটিঃ** কেন্সর লায়েংবদা চংবদা হিদাকশিংদা লৌরম্বা জি.এস.টিগী চাং হন্থখ্রে।

ঙরাং ফমখিবা ৫৪ শুবা জি.এস.টি. কাউন্সিলগী মীফমদা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। হান্নদি কেন্সর লায়েংবগী হিদাকশিংদা জি.এস.টি. চাদা ১২ ওইরমখি। অদুবু ঙরাং ফমখিবা কাউন্সিল অসিগী মীফমদা চাদা ৫ ওইরগনি হায়না ৱারেপ লৌখিবনি।

কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা শেল থুমগী রাজ্য মন্ত্রি-পঙ্কস চৌধুরি অমসুং রাজ্যশিংগী শেল থুম মন্ত্রি শরুক য়াখি।

জি.এস.টি. কাউন্সিলগী মীফম চহি অসিগী জ্ন থাদা পাঙথোকখি। মদুদা স্তিল, এল্ল্যুমেনিয়মনা শাবা শঙ্গোমগী কেনশিং, য়োৎতা লৌবা জি.এস.টিগী চাং চপ মান্নবা চাদা ১২ লৌননবা প্রস্তাব তৌখিবনি।

**জয়শঙ্করঃ** মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্কর নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ঙসি জর্মন পাংলগনি।

মহাকা জর্মনদা লৈরিঙৈদা জর্মনগী ফেদরেল ফোরেন মিনিস্তর য়াওনা তোঙান তোঙানবা মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরী ফগৎহন্নবা ৱারী শান্নগনি।

অমরোমদা, ঙরাং য়ু.এ.ইগা ন্যুক্লিয়ার ইনর্জি অমসুং পেত্রোল্লিয়মগী ৱাফম

য়াওনা তোঙান তোঙানবা হীরম মঙাদা তেংবাং পীননবা সহি তৌনখি। ডা: জয়শঙ্কর ঙসি জর্মন পাংদ্রিথৈঙে মমাংদা ঙরাং সাউদি অরাবিয়াদা লোয়শিনখিবা অহানবা ইন্দিয়া-গলফ কোওপরেসন কাউন্সিলগী ফোরেন মিনিস্তর মীফমদা শরুক য়াখি।

**ভারতঃ** ভারতনা য়ুম্বু ওইদুনা অনিশুবা এসিয়া পেসিফিক মিনিষ্ট্রিয়েল কনফরেন্স ওন সিভিল এভিয়েসন হয়েংদগী হৌদুনা নুমিৎ নিনি চুপা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্লগনি।

সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রি-কিমজারাতু রামমোহোন নাইদুনা ঙরাং পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা হায়-ভারতনা এভিয়েসনগী লমদা হেন্না চাউখৎনবা পান্দম থল্লি।